রেষ্টলর ভিনেস ফোগটনা ইন্দিয়াগী অনীশুবা গোল্ড মেদল লৌখ্রে, শুটিংদা দিপক কুমার অমসুং লক্ষ্য সিয়োরাননা সিলভর অমমম ফংবা ঙমখ্রে

18th ASIAN GAMES
Jakarta
Palembang
2018

জকরতা/পালেম্বাং, ওগষ্ট ২০ (এজেন্সী)ঃ চথরিবা ১৮ শুবা এসিয়ন গেমস অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী রেষ্টলিংগী কম্পিটিসনদা ইন্দিয়াগী ভিনেস ফোগটনা গোল্ড মেদল অমা লৌবা ঙমখ্রে। অদুগা শুটিংগী লমদা দিপক কুমার অমসুং লক্ষ্য সিয়োরাননা সিলভর মেদল অমমম ফংবা ঙমখ্রে।

নুপীগী রেষ্টলিংগী ফ্রীষ্টাইল ইভেন্টকী কিলোগ্রাম ৫০ গী কাঙলুপতা ইন্দিয়াগী রেষ্টলর ভিনেস ফোগটনা ফাইনেলদা জপানগী রেষ্টলর য়ুকি ইরিবু য়াম্না হেনবা মওংদা পোইন্ট ৬-২ দা মায়থীবা পীদুনা ইন্দিয়াগী অনীশুবা গোল্ড মেদল অদু লৌবা ঙমখিবনি।

হায়রিবা ইভেন্ট অদুদা মেদলগী অচৌবা মঙলান মঙখিবশিংগী মনুংদা ভিনেস ফোগটসু য়াওখিবনি। মশাগী চহী ২৩ দা ঙাইরিবী ভিনেস ফোগটনা চহী অনীগী মমাঙদা রিও ওলিম্পিক গেমসতা চাইনাগী লম্বা য়েনানসুনগী মখূৎতা লৈহৌদুনা মেদলগী লম্বেল ককখিবনি। অদুবু এসিয়ন গেমস অসিদদি ভিনেসনা লমন শীংবা ঙমদুনা গোল্ড অদু ফংবা ঙমখি। চাইনাগী রেষ্টলর য়েনানসুনবু মহাক্লা পোইন্ট ৮-২ দা মায়থীবা পীখি। মদুগী মতুং ফোগটনা কোরিয়াগী রেষ্টলর হ্যুং জু কিমবু মায়থীবা পীদুনা লাকখিবনি।

গোল্ড মেদল ফংলবী ভিনেস ফোগটনা ইন্দিয়াগী এসিয়ন গেমসকী পুৰারীদা অনৌবা রেকোর্দ অমসু থম্বা ঙল্লি। কুমজা ২০১৪ ইঞ্চিওন এসিয়ন গেমসতা ভিনেস ফোগট কেজি ৫৮ গী কেটিগরিদা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখিবনি।

ইন্দিয়াগী অনীশুবা গোল্ড মেদল লৌখিবী কেজি ৫০ গী ফ্রীষ্টাইলদা মকোক ওইখিবী ভিনেস ফোগট

নুপাগী মিটর ১০ গী এয়র রাইফলদা সিলভর ফংখ্রবা ইন্দিয়াগী দিপক কুমার

অদুগা হন্দক্কী গেমস অসিদা মহাক্লা কেজি ২ হেনগৎলগা লম্বা তৌরকপদা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখিবনি। মসিদসু নত্তনা কুমজা ২০১৪ গ্লাসগো কম্মনৱেল্থ গেমস অমসুং চহী অসিগী এপ্রিল থাদা পাঙথোকখিবা গোল্ড কোষ্ট কম্মনৱেল্থ গেমসতসু ভিনেস ফোগটনা গোল্ড মেদল অনী থংনথংননা লৌখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী শুটিংদা মিটর ১০ গী এয়র রাইফল ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী দিপক কুমার সিলভর মেদল ফংবা ঙমখি। দিপক কুমারনা ঙসি ফংখিবা সিলভর মেদল অদু মহাক্কী করিয়রগী অহানবা ইন্টর্নেসনল শুটিং মেদলনি। মহাক্না পূন্না পোইন্ট ২৪৭.৭ ফংলগা সিলভর মেদল অদু ফংখিবনি। ইভেন্ট অদুগী গোল্ড মেদল অদুনা চাইনাগী মমাঙগী এসিয়ন গেমসকীসু চেম্পিয়ন ওইরিবা য়াং হাওরাননা পোইন্ট ২৪৯.১ ফংলগা লৌখি। লোয়ননা ব্রোঞ্জ মেদল অদুনা চাইনিজ টাইপৈগী শুটর লু সাওসুৱাননা পোইন্ট ২২৬.৮ ফংলগা লৌবা ঙমখি। দিপক কুমারগী করিয়রগী ওইনা চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোকখিবা আই এস এস এফ ৱর্ল্ড কপকী মিক্স টিমদা ইন্দিয়াগী মেহলু ঘোসকা প্যের ওইরগা গোল্ড মেদল অমা ফংখি অদুগা হন্দক্কী এসিয়ন গেমস অসিনা ইন্দিভিজ্যুএল ওইনা ফংবা অহানবনি।

নুপাগী ট্রেপ ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী নহা মশাগী চহী ১৯ তা ঙাইরিবা লক্ষ্য সিয়োরাননা অপূনবা পোইন্ট ৪৫ গী মনুংদা ৩৯ ফংদুনা সিলভর মেদল লৌবা ঙমখি। ইভেন্ট অদুগী গোল্ড মেদল অদু চাইনিজ টাইপৈগী কুন্টি য়াংনা গেমস অসিগী রেকোর্দ স্কোরগা মান্নবা পোইন্ট ৪৮ ফংলগা লৌখিবনি। অদুগা ব্রোঞ্জ মেদল অদুনা কোরিয়াগী দিমিয়োং আননা পোইন্ট ৩০ ফংলগা লৌখি।

সেপাক তাক্রো

সেপাক তাক্রো ইভেন্টতা ইন্দিয়া সেমি ফাইনেল য়ৌদুনা মেদল অমদি শোয়দনা ফংলগনি। নুপাগী কাঙলুপতা ইন্দিয়ানা ঙসি ইরানবু গ্রুপ বিদা ২১-১৬, ১৯-২১, ২১-১৭ তা মায়থীবা পীবা ঙমখি। অদুবু গ্রুপকী অনীশুবা মেচতা ইন্দিয়াগী টিম অদু য়ূম্বু ইন্দোনেসিয়ানা সেট ৩-০ দা থোইখি। সেপাক তাক্রো দিসিপ্লিনগী ওইনা ইন্দিয়ানা সেমি ফাইনেল য়ৌদুনা য়ামদ্রবদা ব্রোঞ্জ মেদল অমদি শোয়দনা ফংলগনি। হায়রিবা মেদল অসি ইন্দিয়াগী সেপাক তাক্রোগী পুৰারীদা অহানবা ওইগদৌরিবনি।

কবাদ্দি

কবাদ্দি দিসিপ্লিনদা ইন্দিয়া এসিয়ন গেমসকী চহী ২৮ গী পুৰারীদা অহানবা ওইনা সাউথ কোরিয়াগী মখূৎতা মায়থীবা নংখ্রে। ইভেন্ট অসিগী এসিয়ন গেমসতা গোল্ড মেদল ৭ লক ফংবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী নুপাগী টিম সাউথ কোরিয়াগা লম্বা তৌনবদা য়াম্না নক্নবা স্কোর ২৩-২৪ দা মায়থীহৌবনি। পনবা য়াই, সাউথ কোরিয়াগী টিম ২০১৪ ইঞ্চিওন এসিয়ন গেমসতা ইন্দিয়ানা গোল্ড মেদল ফংলগা মখোয়না সিলভর মেদল ফংহৌবনি। ইন্দিয়াগী টিম গ্রুপ এগী অরোইবা মেচতা হয়েং থাইলেন্দগা লম্বা তৌনরগনি।

মশান্না অসিগী নুপীগী কাঙলুপতা ইন্দিয়াগী টিমনা শান্নখিবা অহানবা মেচ অদু থাইলেন্দবু মখোয়না পোইন্ট ৩৩-২৩ দা মায়থীবা পীখি। মদুগী মমাঙদা ঙরাং ইন্দিয়াগী নুপীগী টিম অদুনা জপানবু পোইন্ট ৪৩-১২ দা থোইরম্বনি। হয়েং শ্রী লঙ্কাগা শান্নরবা মতুং ইন্দোনেসিয়াগা অরোইবা গ্রুপ মেচ শান্নগনি।

হোক্কী

গোল্ড মেদল ফংদুনা ২০২০ টোকিয়ো ওলিম্পিক গেমসকীদমক ক্বালিফাই ওইগনি হায়বগী অচৌবা ৱাখল্লোন অমগা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কী টিমনা ঙসি মখোয়গী অহানবা গ্রুপ মেচতা য়ূম্বু ইন্দোনেসিয়াবু পাঞ্জল ১৭-০ দা মায়থীবা পীখি। নুপীগী টিমসু মখোয়গী গ্রুপতা য়ূম্বু ইন্দোনেসিয়াগা লম্বা তৌনবদা পাঞ্জল ৮-০ দা থোইদুনা মখোয়গী মায়কৈদগীসু মেদলগী অচৌবা ৱাখল অদু লৈরি। ইন্দিয়াগী নুপাগী টিম অদুগী মায়কৈদগী মনপ্রিট সিংহ অমসুং এস সিংহ অমদি দি সিংহনা হেট-ট্রিক অমমম চনখি। অতোপ্পা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনখিবা শান্নরোয়শিং অদুদি রুপিন্দর পাল, এ সিংহ, সোমরপিৎ, প্রসাদ, হরমনপ্রিৎ, উপাধ্যায় অমসুং রোহিদাসনি। নুপীগী কাঙলুপতা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী গুরজিৎ সিংহনা হেট-ট্রিক ফংখি। লোয়ননা কটারিয়া অমসুং নবদিৎনা পাঞ্জল ২/২ চল্লগা উদিতানা ইন্দোনেসিয়াগী মায়োক্তা পাঞ্জল অমা চনখি।

বেদমিন্টন

ইন্দিয়াগী নুপা অমসুং নুপীগী বেদমিন্টন টিম ঙসি গ্রুপ মেচতা মখোয় মখোয়গী লম্বাদা মায়থীহৌরে। নুপীগী টিম জপানগী মখূৎতা মেচ ১-৩ দা মায়থীবা নংখি। অদুগা নুপাগী টিম অদুনা য়ূম্বু ইন্দোনেসিয়াগী মখূৎতা মেচ ১-৩ দা মায়থীবা নংখি।

ইন্দিয়াগী নুপাগী সাইনা নেহৱাল জপানগী নোজোমি ওকোহরাগী মখূৎতা অকনবা লম্বা থেংনরগা গেম ১-২ দা মায়থীহৌখি। নুপাগীদা ৱর্ল্ড নম্বর ৮ কিদম্বী শ্রীকান্থ ইন্দোনেসিয়াগী এন্থোনি গিন্টিংগী মখূৎতা গেম ১-২ দা মায়থীবা নংখিবনি। ইন্দিভিজ্যুএল ইভেন্টতা ৱাখল থম্বা হৌখি।

নুপাগী ট্রেপ ইভেন্টতা সিলভর মেদল ফংখিবা লক্ষ্য সিয়োরান

2018 Asian Games Medal Tally

Rank	Country	Gold	Silver	Bronze	Total
1	China	15	12	9	36
2	Japan	8	11	11	30
3	South Korea	5	9	10	24
4	Indonesia	4	2	2	8
5	North Korea	4	1	2	7
6.	Iran	3	2	3	8
7	Chinese Taipei	3	1	4	8
8	India	2	2	1	5
9	Mongolia	2	0	4	6
10	Uzbekistan	1	2	4	7

নুপা অমসুং নুপীগী সব-জুনিয়র, জুনিয়র, সিনিয়র অমদি মাষ্টর ক্লাসিক পাৱরলিফটিং চেম্পিয়নসিপতা শরুক য়াগদবা লিফটরশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২০ (ঐচ এন এস)ঃ উত্তর প্রদেশকী লক্ষনৌদা লৈবা কে দি সিংহ বাবু ষ্টেদিয়মদা উত্তর প্রদেশ ষ্টেট পাৱরলিফটিং এসোসিএসননা শীন্দুনা লাক্লিবা সেপ্টেম্বর ২৬ তগী ৩০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা সব-জুনিয়র, জুনিয়র, সিনিয়র এন্দ মাষ্টর (মেন এন্দ ৱুমেন) ক্লাসিক (অনইক্বিপ) পাৱরলিফটিং চেম্পিয়নসিপ ২০১৮ দা শরুকয়াগদবা মণিপুরগী পাৱরলিফটর-শিং খনখ্রে।

তোঙান তোঙানবা ষ্টেট কয়ানা শরুক য়াদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা চেম্পিয়নসিপ অসিদা মণিপুরগী টিমদা শরুক য়াগদবা লিফটরশিং অদুদি সব-জুনিয়র মেনগী কেটিগরিদা পি বি বি পি টি সীগী এম ইবোমচা (৫৩ ক্লাস), পি বি বি পি টি সীগী এম জিম্মি (৫৩ ক্লাস), কোন্থা খাবম মনিং লৈকাইগী এন থোই (৫৯ ক্লাস) কে বি বি টি সী ককচিংগী এস দেভিদ (৬৬ ক্লাস), ৱাই দি সী কে কান্টো জিমগী টি ঐচ সদানন্দ (৫৯ ক্লাস), পি বি বি পি টি সীগী রিকি নাওরেম (৭৪ ক্লাস), পি বি বি পি টি সীগী এল প্রসান্ত (৮৩ ক্লাস), এস বি বি এফ ক্বাকৈথেলগী গ্রানিস সোইবম (৮৩ ক্লাস) অমসুং পি বি বি পি টি সীগী এল য়াইফবা (৯৩ ক্লাস) নি। জুনিয়র মেন কেটিগরিদনা পি বি বি পি টি সীগী কে ঐচ রোমিও (৬৬ ক্লাস), এস বি বি এফ ক্বাকৈথেলগী কে ব্রাউন্সন (৬৬ ক্লাস), আনন্দ মেমোরিএল জিমগী টি সটিস মৈতৈ (৭৪ ক্লাস), পি বি বি পি টি সীগী এন চিত্তরঞ্জন (৫৯ ক্লাস), এস বি বি এফ ক্বাকৈথেলগী জেবিদ সোইবম (৭৪ ক্লাস) অমসুং এস বি বি এফ ক্বাকৈথেলগী এম লভসন (৭৪ ক্লাস) নি।

সিনিয়র মেন কেটিগরিদা এস বি বি এফ ক্বাকৈথেলগী এদৱিন সোইবম (৭৪ ক্লাস), পি বি বি পি টি সীগী এ সুরজিৎ (১০৫ ক্লাস), এস বি বি এফ ক্বাকৈথেলগী রাজকুমার রোজেন (৮৩ ক্লাস), এস বি বি এফ ক্বাকৈথেলগী এন দেনা (প্লস ১২০ ক্লাস) অমসুং এস বি বি এফ ক্বাকৈথেলগী টি ঐচ রোসন (১০৫ ক্লাস) নি।

সব-জুনিয়র ৱুমেনগী কেটিগরিদা পি বি বি পি টি সীগী ঈ থোইথোইবী চনু (৪৩ ক্লাস), পি বি বি পি টি সীগী ঈ লিংথোংবী চনু (৪৩ ক্লাস), পি বি বি পি টি সীগী প্রিয়াদর্শনি সনাসম (৪৭ ক্লাস) অমসুং পি বি বি পি টি সীগী এস চাওবা (৫২ ক্লাস) নি। জুনিয়র ৱুমেনগী কেটিগরিদা পি বি বি পি টি সীগী এস সোনিয়া (৪৭ ক্লাসনি।

সিনিয়র ৱুমেন কেটিগরিদা কোন্থা খাবম দিভলপমেন্ট এসোসিএসনগী এন সুনিতা (৪৭ ক্লাস), ৱাস দি সী কে কান্টো জিমগী এন জি তোম্বী (৫৭ ক্লাস), য়ু এফ এল সী লম্ফোইখোং-নাংখোংগী এন ইবেমচা (৬৩ ক্লাস), পি বি বি পি টি সীগী এম অনুপমা (৫৭ ক্লাস) অমসুং কোন্থা খাবম মনিং লৈকাইগী দল্লিয়ু দিনেশ্বরি (৮৪ ক্লাস) নি।

মাষ্টর ৱুমেন কেটিগরিদা ৱাই দি সী কে কান্টো জিমগী মাষ্টর থ্রী এস পালিমো (৫২ ক্লাস), পি বি বি পি টি সীগী মাষ্টর টু দল্লিয়ু য়মুনা (৬৩ ক্লাস), পি বি বি পি টি সীগী মাষ্টর থ্রী এন রাধামানি (৬৩ ক্লাস), পি বি বি পি টি সীগী মাষ্টর টু এল সোবিতা (৭২ ক্লাস), পি বি বি পি টি সীগী মাষ্টর ৱান এল মেমোলি (৬৩ ক্লাস), পি বি বি পি টি সীগী মাষ্টর টুগী ইবেয়াইমা (৭২ ক্লাস), পি বি বি পি টি সীগী মাষ্টর থ্রী ঐচ ইবেমপিশক (৭২ ক্লাস), পি বি বি পি টি সীগী মাষ্টর ফোর টি ঐচ কুঞ্জরানি (৮৪ ক্লাস) অমসুং কোন্থা খাবম মনিং লৈকাইগী মাষ্টর ৱান এল প্রেমাবতি (৪৭ ক্লাস) নি।

মাষ্টর মেন কেটিগরিদনা পি বি বি পি টি সীগী মাষ্টর ৱান রাজকুমার নাওরেম (৬৩ কেজি), পি বি বি পি টি সীগী মাষ্টর টু কে কিরনকুমার (৫৯ কেজি) অমসুং ৱাই দি সী কে কান্টো জিমগী মাষ্টর টু টি ঐচ নিংথোনবী (৬৬ কেজি) নি। চেম্পিয়নসিপ অসিদা মণিপুরগী পাৱরলিফটিং টিম অসিদা নেসনল রেফরি কেটে ৱান ঈ ইনাওনা লুচিংগনি।

নুপা অমসুং নুপীগী সব-জুনিয়র, জুনিয়র, সিনিয়র অমদি মাষ্টর ক্লাসিক (অনইক্বিপ) পাৱরলিফটিং চেম্পিয়নসিপ ২০১৮ অসিদা মণিপুরগী পাৱর-লিফটিং টিমদা শরুক য়ানবগীদমক খনখ্রবা লিফটরশিং লাক্লিবা ওগষ্ট ২২ দগী কৈশামথোং এলাংবম লৈকাইদা লৈবা পি বি বি পি টি সীগী ট্রেনিং সেন্টরদা কোচিংগীদমক অয়ুক পুং ৭ তাবা মতমদা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়না ওল মণিপুর পাৱরলিফটিংগী সেক্রেটরি এন জি থোইবনা খঙহল্লক্লি।

মিষ্টর ৱর্ল্ড য়াওনা মালেমগী থাক্তা টাইটল ২০ হেন্না লৌখ্রবা ডো. এন জি শান্তিকুমার ওকখ্রে

NG SHANTI AR MEITEI
Mr Asia

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২০ (ঐচ এন এস)ঃ মিষ্টর ৱর্ল্ড, মিষ্টর নেচরেল ওলিম্পিয়া অমদি মিষ্টর এসিয়াগী টাইটল য়াওনা মালেমগী থাক্তা পাঙথোকপা তোঙান তোঙানবা কম্পিটিসনশিংদা টাইটল ২০ গী মথক্তা লৌখ্রবা টাইৱানগী সিটিজনশিপ ফংখ্রবা মণিপুর মচা ডো. ঙাঙোম শান্তিকুমারবু নিঙোম্বম আইদিএল য়ুথ ক্লব থৌবালনা তরাম্না ওক্তুনা ইকায়খুম্নবা উৎখ্রে।

নিঙোম্বম আইদিএল য়ুথ ক্লবনা শীন্দুনা থৌবাল নিঙোম্বম মল্টিপর্পজ কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা ডো. ঙাঙোম শান্তিকুমারবু তরাম্না ওকপগী থৌরম অদুদা রিটায়র্দ আই পি এস ওফিসর শরাংথেম মনাওবী, থাঙ-তা এসোসিএসন মণিপুরগী ওজা সী ঐচ রঞ্জিৎ, সোসল ৱার্কর ডো. এন শরতচন্দ্র অমদি ৱার্দ মেম্বর এন সঞ্জিৎনা দাইজ মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা মফম অদুগী অকোয়বদা লৈবা নহা ওইরিবশিং অমদি মহৈরোয়শিংগসু মিষ্টর ৱর্ল্ড, মিষ্টর এসিয়া, মিষ্টর নেচরেল ওলিম্পিয়াগী টাইটল য়াওনা মালেমগী থাক্তা টাইটল ২০ হেন্না লৌখ্রবা হৌজিক্লা আই এন বি এ এসিয়াগী প্রসিদেন্টগী ফমসু পুরিবা ডো. এন জি শান্তিকুমারনা ইন্টরেক্সন তৌনখি। মহৈরোয়শিং অমদি নহাশিংগা ইন্টরেক্সন তৌনখিবা অদুদা ডো. এন জি শান্তিকুমারনা হায়খি, ঐখোয়না ঐখোয়গী পুন্সিগী পান্দম ফংলবা মতুংদা ইরৈপাক ইরমদম অমদি ইমুং-মনুংবু খক কাউথোক্লোইদবনি। ইরৈবাক্কীদমক মীয়াম মাঙদা চাওথোকচবা তমগদবনি। হোৎনবা কনবা, ইশানা লেপখিবা ফিরেপ, পান্দম ফংননবা হোৎনবদা খাঙবা কনগদবনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা মিষ্টর ফিটনেস মণিপুরগী রন্নরগী টাইটলসু লৌখিবা মিষ্টর ফিটনেস থৌবাল ২০১৮ নিঙোম্বম দয়ানন্দবুসু অচম্বা খুদোল তমদুনা তরাম্না ওকখি।

ইম্ফাল ইষ্টকী সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২০(ঐচ এন এস)ঃ দিষ্ট্রিক্ট য়ুঠ এফিয়র্স এন্দ স্পোর্টস ওফিসকী মায়কৈদগী থাদোরকপা তোঙান তোঙানবা চেরোলগী মতুং ইন্না দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ইন্টর স্কুল টুর্নামেন্টতা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিং খনবগী অমসুং দিষ্ট্রিক্ট লেভেল জে এন হোক্কী টুর্নামেন্ট ২০১৮দা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিং খনবগী ত্রায়ল সেলেক্সন অমা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টনা শীন্দুনা নুপামচাগী চহী ১৫ মখা অমসুং চহী ১৭ মখাগী নুপামচা অমসুং নুপীমচাগী ওইনা থা অসিগী ২৬ অমসুং ২৭তা পাঙথোক্কদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ানিংবা স্কুলগী শান্নরোয়শিংনা থা অসিগী ২৫ ফাওবগী মনুংদা ফোর্ম পীশিনবা য়াগনি হায়রি।

নাকল অমরোমদা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ইন্টর স্কুল টুর্নামেন্টতা শরুক য়াগদৌরিবা ইম্ফাল ইষ্টকী শান্নরোয় খনবগী ত্রায়ল কম সেলেক্সন অমা পাঙথোক্লগনি হায়রি। খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা ওক্টোবর ৩দগী ৫ ফাওবা পাঙথোক্কগৌরিবা ইভেন্টশিং অদুদি - চহী ১৯ মখাগী নুপামচা অমসুং নুপীমচাগী বেল্ট রেষ্টলিং, জিট কুনে-দো অমসুং কিক বোক্সিংনি। থাঙ-তাদা চহী ১৪ মখা, চহী ১৭ মখা অমসুং চহী ১৯ মখাগী নুপামচা অমসুং নুপীমচানি।

ওক্টোবর ৮ দগী ১০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা দিসিপ্লিনশিং অদুদি চহী ১৭ মখাগী নুপীমচা, রাইফল শুটিংদা চহী ১৭ মখাগী নুপামচা অমসুং নুপীমচা, চহী কাংলুপ অসিমক্কী ৱেথলিফটিং অমসুং করাটে দো অমসু চহী ১৪ মখা অমসুং ১৭ মখাগী নুপামচা অমসুং নুপীমচাগী জিমনাষ্টিক দিসিপ্লিননি। মথক্কী ইভেন্টশিং অসিগী ফোর্ম পীশিনবগী অরোইবা নুমিৎ ওক্টোবর ১নি অদুগা ফুটবোল, ফেন্সিং অমদি টাইক্বান্দোগীনা সেপ্তেম্বর ২০নি হায়রি।

কে ৱাই এফ এ কোইরেঙ্গৈ, এল কে ৱাই দি এ লাইফম খুনৌ, আর এফ এ তোপ সিফাই অমসুং এস এফ এ কৈবী সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২০ (ঐচ এন এস)ঃ নেরোকা এফ সী ফেন্স ক্লব ওরেঞ্জ বৃগেদনা শীন্দুনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোদোম্পোকপী মমাঙ লৈকাইদা লৈবা এস সী কে গ্রাউন্দদা চথরিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল অন্দর ১২ য়ুথ লীগ ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচশিংদা মায় পাক্তুনা কে ৱাই এফ এ কোইরেঙ্গৈ, এল কে ৱাই দি এ লাইফম খুনৌ, আর এফ এ তোপ সিফাই অমসুং এস এফ এ কৈবী সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

টিম ২৪ না শরুক য়াদুনা গ্রুপ মরি থোক্লা খায়দোক্তুনা পাঙথোক্লিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল অন্দর ১২ য়ুথ লীগ ২০১৮ গী অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১ তাবগী অহানবা গ্রাউন্দদা এস এফ সী খা সঙ্গেনবম অমসুং কে ৱাই এফ এ কোইরেঙ্গৈ শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা টিম অনীগী মায়কৈদগী সেমি ফাইনেল চঙনবগীদমক অকনবা লম্বা তৌনদুনা বোল কাওনখি।

অহানবা হাফকী অনীশুবা মিনিটতা কে ৱাই এফ এগী য়াইখোম্বনা মেচ অদুগী অহানবা গোল চল্লগা মহাক্কী টিমগী গোল একাউন্ট হাংদোকখি। অহানবা হাফ লোইবা মীৎকুপ ফাওবদা এস এফ সীগী মায়কৈদগী কে ৱাই এফ এনা মাঙজিল থারিবা অমতা ঙাইরবা গোল অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি। অনীশুবা হাফ হৌরকপদগী হৌনা এস এফ সীনা কে ৱাই এফ এগী অহানবা হাফতগী মাঙজিল থাদুনা লাক্লিবা গোল অদু হন্দোক্লবা কন্না হোৎনরকখি। অদুবু মেচকী অরোইবা মীৎকুপ লোইশিল্লকপা ফাওবদা এস এফ সীনা গোল অদু হন্দোকপা ঙমদনা মেচ অদু মায়থীহৌখি। অদুগা কে ৱাই এফ এ কোইরেঙ্গৈনা মেচ অদু গোল ১-০ দা মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল চঙখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ২ তাবগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা এল কে ৱাই দি এ লাইফম খুনৌ অমসুং এম জি এফ সী কংলাতোম্বী শান্নখি মেচ অদু এল কে ৱাই দি এ গোল ৪-০ দা মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল চঙখি। অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৩ তাবগী অহুমশুবা গ্রাউন্দদা আর এফ এ তোপ সিফাই অমসুং বি এম এস সী তাওবুংখোক শান্নখিবা মেচ অদু আর এফ এনা গোল ১-০ দা মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল চঙখি। য়ুথ লীগ অসিগী মরিশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা কে এস ৱাই সী অমসুং এস এফ এ শান্নখিবা মেচ অদু এস এফ এ কৈবীনা কে এস ৱাই সী খুরাইবু গোল ৪-৩ দা মায়থীবা পীরম্লগা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখিবা মরিশুবা টিম ওইখি।

LOAN AVAILABLE
NO GUARANTOR
AREA COVER: MANIPUR STATE
TATA SUPER ACE-MINT DELIVER WITHIN 2 DAYS
> EMPLOYMENT NEWS:- MECHANIC-2/W(20-30yrs) Rs.8,000-Rs.15,000/-
& SECURITY-GUNMAN(20-30yrs) Rs.6,000-Rs.Rs.17,000/-
> PENSION LOAN (1.5%,2%,2.5% & 3%) P/M
> BUSINESS LOAN (12%)P/A
L.G. MOTORS FINANCE
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI,H.Q
OFFICE HOUR:
10.00AM TO 4.00PM
CONTACT No.:- 9774495994/8731978490
NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING,IMPHAL WEST,MANIPUR
BRANCHES:- SEKMAI KOUJENGLEIMA,SAMUROU NEAR MACHU HALL,KAKCHING IRUM LAMDONG,
THOUBAL OKRAM, NAMBOL PHOIJING LAMBAN,MOIRANG PATLOU.
HL-B/4720/24/6-21/08 (alt.)

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com